# লমদমসিগী সাহিত্যদা হন্দোক্লোইশিংগী মফম

থম্মোয় পাউদম | ও সি মৈরা



লোল য়াম্না খঙবা হায়বসি ইনাক খুনবা মীওই অমনি। লোল য়াম্না খঙলিবমখৈ লম চৎপদা নুংঙাইবা হেল্লি। লোল য়াম্না খঙবা হায়বসিদা মাঙজবা অমত্তা লৈতে। মরম অসিননি মীওইবনা তোঙান তোঙানবা লোল অয়াম্বা খঙননবা হোৎনরিবসি। লোল য়াম্না খঙবা অইবশিংনা ইরকপা পাবা নুংঙাই। মশামক্লা ইবা নৎত্রবসু ট্রান্সলেসনগী লাইরিকসু পাবা নুংঙাই। লোল মমুৎ তানা খঙদবশিংনা হন্দোরকপা মীতৈলোনগী লাইরিক্তি লৌশিনবা য়াম্না ৱাই। ইংলিসতগী মীতৈলোন্দা হন্দোরক্কে হায়রবসু, হিন্দীগী মীতৈলোন্দা হন্দোরক্কে হায়রবসু লোল অনীমক্তি ময়েক শেংনা খঙবা মথৌ তাই। ট্রান্সলেসন তৌবদা চঙলিবা লোল অনীমক মমুৎ তানা খঙনবা হোৎনবা হায়বসি অরায়বা অমদি নত্তে। অদুবু এল রঘুমনিনা শরতচন্দ্র চট্রোপধাইগী লাইরিক অয়াম্বা মীতৈলোন্দা হন্দোক্তুনা ফোঙখি। ঙসি ফাওবগী মনুংদা শরতচন্দ্রগী লাইরিকশিং রঘুমনিনা হন্দোক্তুনা ফোঙবসিনি রঘুমনিনা মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ট্রান্সলেসন তৌরম্বা লমদমসিগী অইবা ওইরিবসি।

অইবা অমগী মশক নাইবা লাইরিক অমবু অতোপ্পা লোল অমদা হন্দোক্তুনা পুথোরকপা হায়বসিমক অরায়বা অমদি অচম্বা থবক নত্তে। অদুগা ময়াই কাবা হায়বসিবু সিম্বোল ওইনা অইবশিংনা লৌদুনা লাইরিক কয়া ইখিবনি। ময়াই কাবা হায়বসি নুংগী ওইবা অপাম নুংশিগী ৱাখল শেংদোকপনি। অদুগা অইবা অমনা অপাবশিংদা ময়াই কাহন্নবা মীত্রং কয়া শীজিন্নদুনা ইরকপা লাইরিকপু হন্দোক্লোই অমনা অপাবশিংদা য়ৌহন্নবা হোৎনবা অদুনি হেন্না লুরিবসি। লোল অমদগী অমদা হন্দোরকপা মতমদা হান্নগী মশক অমদি মহাউ মাঙহনবা য়াদে। লোয়নননা লোল অমগী লিটরেচর চাউখৎনবগীদমক্তা তঙাইফদনা লোল অদুগী হন্দোক্লোইশিং মরাঙ কায়না লৈবা তাই। অদুনা ট্রান্সলেসন মিসনননসু হন্দোক্লোইশিংদা হেন্না থাজবা থমদুনা অনৌবা থৌরাং কয়া পায়খৎলক্লি। য়ুনিভর্সিটিগী থাক্তা ট্রান্সলেসনগী সেমীনার কয়াসু তৌরি। অনৌবা লোল কয়া পুথোক্লবা হোৎনরি। সাহিত্য একাদেমীনসু হন্দোক্লোইশিংদা শেন্থং পীদুনা লোল অমদগী লোল অমদা লাইরিক কয়া হন্দোক্লবা হোৎনরি। অদুবু ঐখোয়গী মণিপুরী লোয়নশিল্লোনগী হন্দোক্লোই মশিং য়াম্না তাঙলি। হেজিক ফাওবদা শুমাং কুন্নৈগী লাইরিক অমত্তা মীতৈ লোলদগী অতৈ অতোপ্পা লোলদা হন্দোক্তি। ঈশৈগী লাইরিক কয়া লেপ্তুনা ফোঙনরক্লবসু ঈশৈ খক্তগী ওইবা লাইরিক অমত্তা মীতৈ লোলদগী অতোপ্পা লোলদা হন্দোক্তি।

ৱাৎলিবা হন্দোক্লোইগী মফম অসি মেনশিন্নবা কন্না হোৎনবা মথৌ তাই। মায়কৈ নাম্মা খক য়েংবা য়ারক্তি। মমিগী কুন্নৈনা মালেমগী থাক্তা কাখৎপা ঙম্লগসু মমিগী কুন্নৈগী লাইরিক অমত্তা লমদমসিদা পুথোক্তবনা নৌনা ফিল্ম ইনিংবা অমদি ফিল্মগী স্কৃন পে রাইটর ওইনিংবশিংগী শিনদম্ফম লৈত্রি। মীগী মরোন্দা ফোঙলকপা লাইরিক খরা পারগা মণিপুরী ফিল্ম খঙনবা হোৎনবা তারি। শান্ন-খোৎনবগী লমদসু অদুমঙাই। শান্নবা অমদা চঙবা চৎন-পথাপকী মরমদা খঙননবা অখন্ননা ইবা মীতৈলোনগী লাইরিক লৈত্রি। শান্নবগী চেফোঙ অমা লৈরম্বদুসু হৌজিক্তি ফোঙবা লেপখ্রে। য়েংলু য়েংলুবদা অৰাৎপনা পীক থন্না লৈরিবা অসিগী মরুওইবা মরমদি ইবীনবা মী লৈতবা অমসুং পল্লিসর লৈতবননি। পল্লিসর লৈরগসু হন্দোক্লোই লৈত্রগদি য়ারোইদবনিনা ঐখোয়না ঐখোয়গী লোয়নশিল্লোনগী পূক্কে অসি পাকথোক চাউথোকহন্নবা হোৎনবদা হন্দোক্লোই কয়া পুথোকপা মথৌ তারি। নুংতিগী ফোঙবা পাউচেশিংগী হন্দোক্লোই লৈনরিবশিং অসিগুম্বা লোয়নশিল্লোনগী লূপ খুদিংমক্কী হন্দোক্লোই খরা খরদি শেমগৎতুনা থম্বা তঙাইফদে। পাউচেগী হন্দোক্লোইশিংনসু ক্রিয়েটিভ রাইটরশিংগা লোয়না তীন্নদুনা প্রোফেসনেল ট্রান্সলেটরগী লম্বীদা চঙশিল্লক্লবা হোৎনবা ফৈ। ঐখোয়গী ৱাৎতুনা লৈরিবা অহাংবসি কনানসু লাক্লগা মেনশিনবীরোই। ঐখোয়গী ইরোলবু ঐখোয়না চাউখৎহন্নবা লোল কয়াদগী ফংলকপা কান্নবা অদু ঐখোয়গী লোলদা ফংহনবা মথৌ তারি।

ঐখোয়না করি তৌরি হায়বসি মীরমদসু খঙহন্দবা য়াদবনিনা ঐখোয়গী ইরোল পুম্বা মীরোলদা হন্দোকপা মথৌ তাই। মসিনা মপান্দা লৈখ্রবা মীতৈ মচাশিংগী মফমদা তম্বা অচৌবা খুদোল অমনি হায়বসু য়াই। মরমদি মখোয়না ঐখোয়গী পোত্থোকশিং অদু উরগা চাউ-থোকচানি অমসুং মীয়াম মাঙদা লেন্নজগনি। ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরিবা হিজম অঙাংহলগী মহা কাব্য শৈরেংবু অতৈ লোল কয়াদা হন্দোকপা মথৌ তাই। চৈথারোল কুম্বাববু ইংলিস লোলদা হন্দোক্লবনা ঐখোয়গী চাউথোকচবা ফংলিবনি।





# খোঙ কারল চল্লগা ফম্বগী কান্নদবশিং



ফম্বা মতমদা খোঙ কারল চনবনা ঙাইহাক্কী ওইনা কম্ফোর্টেবল ওইবা মালহল্লবসু হকশেলদদি চাউনা খুদোংথিনিংঙাইনি। অখঙ-অহৈশিংনা থিজিনবদা খোঙ কারল চল্লগা ফম্বনা খ্বাঙ নাবা, ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহল্লকপা অমদি ঈ ফমজিলহনবা য়াওনা খুদোংথিবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই হায়বা খঙলে।

খোঙ নাম্মগী মথক্তা অতোপ্পা নাম্মা থাঙ্গৎলগা কারল চন্দুনা ফম্বা মতমদা খোঙদগী ঈ পুন্নমক থবাকলোমদা কাখৎলকই। মসিনা মরম ওইরদুনা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহল্লি। নুমীৎ খুদিংগী পুং ৩ হেন্না খোঙ কারল চল্লগা ফম্বা মতমদা খ্বাঙ, ঙকশম অমদি নিংজোল নাবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লি। য়াঙলেন শৰদ কোন্থবা মরম্না হকচাংগী ফীভম (পোসচর) সু শোয়হল্লকই।

শিংলিদা কা হেন্না প্রেসর পীশিনবদগী ঈগী ঈচেলদা অকায়বা থোকহনবগা লোয়নন্না ঈ উতোংগী মপাঙ্গল শোন্থহল্লি। খোঙদা ঈ য়াম্না পৈশিল্লকপদগী শিংলি পোমখৎলকই। মতম শাংনা খোঙ কারল চল্লগা ফম্লবদি পেরোনিয়ল নর্ভ পেরলাইসিস নৎত্রগা পালসি ওইহল্লকই। পেরোনিয়ল নর্ভ অসি খুউ মখাদা লৈবা মরুওইবা নর্ভ অমনি।

কনাগুম্বা মীওই অমা মতম শাংনা খোঙ কারল চল্লগা ফম্বা তারবদি পেরোনিয়ন নর্ভতা প্রেসর হেনগৎলকই। মসিনা মরম ওইরদুনা খোঙ অমদি খোঙয়াগী মশলশিং পঙথহল্লকই। কনাগুম্বা মীওই অমনা হকশেলগী লমদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবনি হায়দুনা নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা শাজেল তৌবগা লোয়নননা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চায় অমসুং নুমীদাং খুদিংগী মপুং ফানা তূম্মী। অদুবু ফনা য়াম্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎলবসু তৌরোইদবা খরদং হেক তৌরুবা মতমদা হকচাং ফবা ঙমদে।

‘ব্লদ প্রেসর মোনিটরি’ জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা কনেষ্টিক্টকী কার্দিওলোজিষ্ট ষ্টিফেন টি সিনাট্রানা হায়খি, খোঙ কারল চল্লগা ফম্বা মতমদা সিষ্টোলিক ব্লদ প্রেসর চাদা ৭ অমসুং দাইষ্টোলিক ব্লদ প্রেসরনা চাদা ২ ৱাংখৎহল্লি। সিষ্টোলিক হায়বসি বি পিগী মথক থংবা রিদিং অদুনি। দাইষ্টোলিক হায়বসিনা মখা থংবা রিদিংনি। কনাগুম্বা মীওই অমগী ব্লদ প্রেসর ১২০/৮০ ওইরে হায়না লৌবা মতমদা সিষ্টোলিকনা ১২০ নি অমসুং দাইষ্টোলিকনা ৮০ নি।

ডা. সিনাট্রানা হায়খি, মিনিট ১০ দগী হেন্না খোঙ কারল চল্লগা ফম্বা মতমদা কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মরম্না পুংখায় খুদিংগী ঙাইহাক ঙাইহাক হৌগৎলগা খোঙকাপ অমা অনী চৎকদবনি। অতৈ অতোপ্পা অশোয়বা থৌওংশিংগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, খুউ অনী লোনশিন্নরগা খক লেপ্পোইদবনি। মতৌ অসুম্না লেপ্পা মতমদা খুউ তাঙগী অকোয়বদা প্রেসর পীবা হেনগৎলি। কেলিফোর্নিয়াগী অৰ্ৱিনদা লৈবা হোগ ওর্থোপেদিক ইনষ্টিট্যুটতা ওর্থোপেদিক স্পেসলিষ্ট ওইনা লৈবা দেবিদ দল্লিয়ু ক্রুজনা হায়খি, তাঙ-তাঙ খুদিংমক অকোয়বগী মশলশিংনা ঙাক্লৌ পীরিবনি। খুউ অনী লোনশিন্নরগা লেপ্পা মতমদা খুউ অকোয়বগী মশলশিং মথৌ নীংথিনা তৌদে। মসিনা মরম ওইরদুনা তাঙ-তাঙদা প্রেসর পীবা হেনগৎলকই। য়ারিবমখৈ লেপ্পা মতমদা খুউ কোল্লপ লেপকদবনি। অমরোমদা, হোগ ওর্থোপেদিক ইনষ্টিট্যুটকী স্পাইন সর্জন রিচার্দ লীনা হায়খি, তূম্বা মতমদা য়ারিবমখৈ উপ্পা হীপ্পোইদবনি। উপ্পা হীপ্লগা মোন খাঙবা মতমদা ঙকশম থেক্তোকপা মরম্না ঙকশম মরী নাবা অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই।

অতোপ্পা অমনা খ্বাঙদা বেল্ট ফাবা মতমদা য়াম্না চিন্না অমসুং ক্রক-ক্রক লাকশিন্না খক ফারোইদবনি হায়রি। লোস এঞ্জেলিসতা লৈবা সেন্ট ভিন্সেন্ট মেদিকেল সেন্টরগী চীফ গ্যেষ্ট্রোইন্টরোলোজিষ্ট পেট্রিক টকাহাশিনা হায়খি, কা-হেন্না চিনবা মওংদা বেল্ট ফারবদি চাকখাউদা প্রেসর পীবা মরম্না এসিদ রিফ্লক্স তৌহল্লকপা য়াই। মসিনা মরম ওইরদুনা খনাউদগী অশীনবা থোরকপা, থবাক শাবা, পূক নাবা, লোক খুবা অমদি চাক য়োৎপদা নুংঙাইতবা থোকহল্লকপা য়াই।

গাড়ী থৌবগী মতাংদা ডা. সিনাট্রানা হায়খি, মতম শাংনা ফল্লগা গাড়ী থৌবা মতমদা ঈ ময়াম খোঙগী শরুক্তা পৈশিল্লক্তুনা থম্মোয়গী লায়না পোকহল্লকপা য়াই। লম শাংনা গাড়ী থৌগদবা লৈরবদি লমখাংদা ঙাইহাক খাল্লগা কুমথদুনা খোঙকাপ অমা অনী হঙ্গৎ-হন্দা চৎকদবনি।

অতৈ অতোপ্পা তৌরোইদবা থৌওংশিংদি তূম্বা হেক হৌগৎপগা তীংলি-য়াঙলিবা, খোঙ হাম্নিংবা নৎত্রগা মপান থোক্লিংবা খাঙজিনবা, চ্যুৰিং গম চাবা অমসুং নুমীৎ খুদিংগী চপ মান্নবা মওংদা লেংবান নাম্মতদা অরুম্বা বেগ য়াল্লগা চৎপা অসিনচিংবনি। হকশেলগীদমক তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা থবক মচা মশুশিং মুন্না খঙদোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লি।

## তোঙান-তোঙানবা হূই মখল অহুম

### ALSATIAN



ALSATIAN হায়রিবা হূই মখল অসি ওফিসল ওইনদি German Shepherd কৌই। ইঞ্চি ২২ দগী ২৬ ফাওবা ৱাংবা, কেজি ৩৪ দগী ৪৩ ফাওবা লুম্বা হূই অসি মালেমগী অহানবা লাঞ্জাওগী মতমদা এলাইদ লান্মীশিংনা জর্মনিদা পুরকখিদুনা য়ুরোপ-অমেরিকাগী অতৈ মফম কয়াদা শন্দোরকখিবনি। থবক্তা য়াম্না কান্নে হায়দুনা মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোরকখি। মসিবু পুদুনা লাকখিবা এলাইদ লান্মীশিং অদুনা মহাক্কী মমিংদা য়াওরিবা ‘জর্মন’ হায়বা ৱাহৈ অসি পন্নিংমনখিদবদগী ‘অলসাসিয়ন’ হায়না ইনৌ নৌবা মমিং থোন্দুনা কৌনরকখিবগী ৱারীসু লৈরি। অসি মালেমদা লৈরিবা হূইশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ফবা অমসুং অশিংবা মখলগীনি হায়না লৌনৈ। হৌজিক্কী মতমদা সিফাই অমদি পুলিসশিং অমসুং মমিৎ উদবশিংনা লমজিংহন্নবগীদমক্তসু লোইনরিবা ‘অলসাসিয়ন’ শিং অসি কুমজা ১৯২০ দগীদি ফিল্মকাদসু কুম্মহল্লকখিদুনা ঙসি ফাওবদদি মখোয়না মখল মখা কয়াগী শক্তম লাংবা ফিল্ম কয়া লেপ্তুনা থোরক্লি।

### AKITA



অকিতা হায়রিবা হূইসি জাপানগীনি। মপুং মরৈ ফারবা হূই অমনা ইঞ্চি ২৬ তগী ২৮ ফাওবা ৱাংই, কেজি ৪০ দগী ৫০ ফাওবা লুম্মী। জাপানিজশিংনা হূই মখল অসিগীদমক্তা চাউথোকচৈ। অহানবদদি জাপানগী অঙম অথৌশিংখক্তুনা অখন্ননা শাদান্নবগীদমক লোইনরম্মী। লমদা লৈবা খোঙজেল য়াঙবা শাশিং তানবখক্তা নত্তনা লমগী শওম তানবফাওবা ঙম্বা অথৌবা হূইনি। জাপানদা লৈবাক নিংথৌ অমদি অঙম অথৌ লিংলিঙৈ মতমদা চৎনরম্বা হূই চীক্লহনবদা মথৱায় থাদোক্ল দ্রিমখৈ হন্নদবা মরিংজেল খাবা কাঙলুপনি। মদুমক্লা মরম ওইদুনা মতম অমদদি জাত অসিগী মশিং য়াম্না লিকথরুরে। অদুগুম্বা থৌওংগী মতম অদু জাপান লৈবাক্কী ওইনা থুপচিনখ্রবা মতুং, হৌজিক্তি হূই মখল অসি জাপানগী পুলিস কাঙবুনা মখোয়গী থবক ইনখাংগীদমক্তা অদুগা লন্নাই মীওইশিংনা মখোয়গী ময়ুম মকৈ ঙাকহন্নবগীদমক্তা নম্না লোইনরে।

### BLOODHOUND



বেলজিয়ম লৈবাক্তগী হৌরকখিবা হূই মখল অমনি। কাঙলুপ কাঙলুপ পুন্না লোইরগা শা তানবগী থবক্তা শীজিন্নবগীদি হূই মখল অসিদগী হেনবা অমা লৈত্রে হায়না লৌনৈ। হূই অসিনা খোংবদা থকৎলোইদৌবা হুরানবা পোক্তি হায়নৈ। তাকপী তন্বীবা য়াম্না লুই, অমুকপু খঙনবা তাকপীখ্রবদি হৈথোইরবা দ্রাইভরনা রেসকী কার থৌবগুম্বনি হায়না শিংথানৈ। মনম খঙবদসু মপা লৈতে হায়না লৌনৈ। মমিংদা ‘ব্লডহাইন্দ’ হায়রিবসি শা তানবগী শারম থিবদা ঈখেংগী লিক্লম খঙবগীনি হায়না লৌনবসু লৈ। অদুগা হূইগী অশেংবা ঈতনা মচা ধারা শন্দোক্নবা মতৌননি হায়নবসু লৈ। ইঞ্চি ২৫ দগী ২৭ ফাওবা ৱাংই, কেজি ৫৪ দগী ৬৪ ফাওবা লুম্মী, অমোমনা খরা খরা তাই।

# খুনুং ঈশৈদা য়াওরিবা লাই তীনগী ওইবা মশক # ২

থানিল খুমন

৬. হৌরকফমগী খোঙ্গুল লিরুবগী মহুত্তা ঈশৈ শৈশক্কী মতাংদা ময়াম্না তাবদা নুংঙাইনবগী কালাগী আর্টফোর্ম অদুদা হেন্না মীৎয়েং চঙশিনবা ওই।

৭. ঈশৈসি হঞ্জিন-হঞ্জিন্না শকপগী চৎনবী লৈ। অদুবু ঈশৈদুদা য়াওরিবা থোৎলবা মশক অদুমক শাগোন্নদুনা চৎলি। মসিগী মরমদি ঈশৈশিংসিগী হৌরকপগী মায়কৈদা খুঙ্গংগী ইচম চল্লবা মীওই পুন্সিগী থম্মোয়নুংদগী থোক্লকপা শৈরোল ওইবননি। অসিগুম্বা শৈরোলসিদা লম লমগী মীওই কাঙলুপকী ৱাখল, থম্মোয়নুংদা ফাওরকপা থম্মোয়গী ইথিল হায়বদি অৰাবা নুংঙাইবা অপাম্বা পামদবা, কায়নবা থুংনবা, নীংবা কায়বা অসিনচিংবা তেংথাখোনশিংদুবু ঈশৈনা সাহিতিক ওইবা মীৎয়েংদা ফোঙদোকপগী মগুনসি ফোকসোংশিংদা য়াওদুনা লৈ।

৮. খুনুং ঈশৈশিংসিদা মহৌশাগী পোৎশক পোৎলমশিংগা চাংদম্নদুনা মীওইবগী পুন্সিবু অৰাংবা থাক্তা শৈথাদুনা শকপগী চৎনবীসি ফোকসোংদা য়াওদুনা লৈ। অসিগুম্বা মথক্তা পল্লিবা ফোক সোংগী কয়াৎশিংসি কাঙলুপ অমগী লৈজরিবা শৈশকশিংদা য়াওরকই। অদুগুম্বা ঈশৈগী মচলশিংদু লোক সাহিত্যগী শক্লোনশিং, ফোক সাহিত্যগী শক্লোনশিংদা ফোক পোইত্রিগী মনুং চনবা শৈরেংগী মনুং চন্না লৈরিবা খুনুং ঈশৈগী মশকনি হায়বদু ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্মী।

খুনুং ঈশৈগী কয়াৎশিং অসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙম্বদি মণিপুরী লোক সাহিত্যগী পূক্কেদা খুনুং ঈশৈগী মচলশিংসি মরাং কায়না ফংই হায়বসিনি।

কাঙলুপসিগী পোকপদগী শিবা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লিবা লাইথৌ তীন্থৌগী থৌরমশিংসিনা মসিগী ময়েক শেংলবা খুদমনি। অসিতসু নত্তনা হরাওবা অয়াম্বদা অমনা অমগী মফমদা থম্মোয়নুংগী ৱারোল ফোঙদোকপদা ঈশৈশিংসিনা মরুওইবা আর্ট ওইনা লৈরকই। মরমসিনা খুনুং ঈশৈদা মী অমদগী হৌরগা ময়াম পুন্না শকমিন্নবগী খুনুং ঈশৈগী পরম পারাদা লৈরকই। অসুম্না লৈজরিবা মরিপুরী খুনুং ঈশৈগী মচলশিংসি য়েংলুরগা মণিপুরী খুনুং ঈশৈবু চাউরাক্লা মখাগী অসুম্না খায়দোকপা য়াই।

১. ধর্ম্ম অমুং ইরাৎ থৌনিগা মরী লৈনবা ঈশৈশিং।

২. শিনসু শিনবাং ঈশৈ।

৩. হরাও-কুন্নৈগী মরী লৈনবা ঈশৈ।

৪. অঙাংশিংনা শান্নবদা শকপা ঈশৈ।

৫. নাউথেম ঈশৈ হায়রিবশিংসিনি।

ৱারেং অসিদা নৈননবা লৌখৎচরিবদি ধর্ম্ম অমসুং ইরাৎ থৌনিগা মরী লৈনবা ঈশৈশিংগী মতাংদনি। অসিগুম্লবা মণিপুরী ফোকসোংসি রিলিজেস সোং অমসুং রিচুয়েল সোংগা মান্ননা লৌবা য়াই। য়েলহৌঙৈদগী হৌনা ফোক কাঙলুপ অসিনা খুন্নাইসিদা ধর্ম্ম অমসুং ইরাৎ থৌনিগী থৌরমশিং পাঙথোকপদা শক্লবা খুনুং ঈশৈগী মচলনি। ঈশৈ অসিনা ফোক কাঙলুপশিংগী পুন্সিগী তাঙ্কক কয়াদা পাঙথোক্লিবা ইরাৎ থৌনিগা মরী লৈনবদা নত্তনা মখোয়শিংদুবু মপুং ফাহন্নবগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচল ওইনসু লৌবা য়াই। মখলসিগী ঈশৈশিংসি লাই হরাউবদা লাই তীনগী মরমদা শৈথাবা, হায়জবনচিংবা লাইশিংগী থৌরম পাঙথোকপদা শীজিন্নরি। খুদম ওইনা খরদং পল্লবা (ক) ইরাৎ থৌনিগা মরী লৈনবা ঈশৈশিং, য়াকৈবা, শানা লমওক, খোইজু লমওক, নোংলাও ঈশৈ, লৌতা ঈশৈ, পাময়ানলোন, অহোংলোন, ঔগ্রী অসিনচিংবনি। (খ) ধর্ম্মগা মরী লৈনবা নুংশি নুংওন্দা য়ুম্ফম ওইবা খুনুং ঈশৈশিংদি পৌশা ঈশৈ, খেঞ্চোং ঈশৈ অসিনচিংবনি।

মথক্তা পনখ্রিবা ইরাৎ থৌনিগা মরী লৈনবা ঈশৈশিংসিগী মতেক খরদং লৌখৎ-লৌখৎতুনা য়েংবা য়াই।

***য়াকৈবা :***

“চীংঙু ঙাল্লে লাইনিংথৌ  
ইনুং ঙাল্লে য়াওল্লো  
হরাওরৈ চীংনোল পোক্তগী  
মশেক মঙাল লোয়নননা  
মঙাঙ গুরু চাকৱায়রে  
কোরৌ নোংদোন ঙাল্লক্লে”

য়াকৈবদা মহৌশা খুৎশেমগী তরু তশেংনা নীংথিনা শৈথাবগী মথক্তা নুমীৎ থোরকপগী অমদি নোংঙানবগী মতমদা ওইরকপা মহৌশা খুৎশেমগী ফজবা কয়াবু শৈথাবা থেংনৈ।

***সনা লমওন :***

“কোরৌ নিংথৌরেল ও  
লাইরেন ৱাংবা মৈনিংথৌ  
সনা নমিরেল মিরেন থৌয়াংববু  
য়িরেল্লক লমলেল্লক্কী কোল্লে।  
ইমু ইঙৌ লেনগী  
তরৈ লেম্লে লক্কী  
তুরেল কাওসুম কাওরানুংগী  
তাইবঙ চীংঙুমাঙ খায়গৎলক্কে।  
পুন্সি নোংশাংনা সনানমিরেন  
মিরেন থৌয়াংববু তিল্লরেল্লে।  
স্নাথোঙজিনবু পোন্না লিৎশিল্লক্লে।  
নরাকচীনবু কান্না চোংশিল্লক্লে,  
মী কপ্পাক নেৎথুরক্লে  
মী ৱাইরেন কান্না চোংনা  
লাইরেন সনা নথোঙজিল  
থোঙলেন মরোনয়াম্ববু কান্নচোংনা  
তুবী নচৎলম লাইরেন্নফানশাং”

ঈশৈ অসি লোইমুম্মুনা মাইবগী মশিল য়েন্থোকপদা অশৈবা নঙদি সনা লমওক শকও হায়না শকহনখিবগী ৱা থেংনৈ। লোয়নননা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা ফম্বাল কাবদা (কুমজা ৬৬৩ দা) সনা লমওক শকখি হায়না নাউথিংখোং ফম্বাল কাবদা ইরি। অদুগা মসিনা পীরিবা ৱাহন্থোক্তি লাইগী মশক ওইরবা নিংথৌ অমদি লাইগী তুংগী পুন্সিদা নুংঙাই য়াইফবা ওইনা শৈথাবনি।

***খোইজু লমওক :***

“কোরৌ নোংথৌরেল ও  
সনা নমিরেন মিরেন থৌয়াংববু  
খমৱাই য়ামৱাইরক্কী কোল্লে।  
লৈচিকচিক্লিবা লৈথম থল্লিবলক্কী কোল্লে।  
কৌবা কৌনু খোই  
মখান খুঙম খোই,”

ঈশৈসি সনা লমওক, লানফা লমওকুম্না লৈবাক অসিদা চৎনরকপসি ফনা নীংথিজনা কুইরে। লোইয়ুম্বা নিংথৌনা কুমজা ১১১০ দা লাংশঙদা ফল্লগা মাইবগী শিন য়েন্থোকপদা হায়খি সরাইচম নঙদি খোইজু লমওক শকও মসিদগী ঐখোয়না খঙবদি ঈশৈসি খৃষ্টগী তরানিথোইশুবা চহীচাগী মমাঙদগী শক্লরক্লে হায়বসিনি। অদুবু ঈশৈসি কনানা হৌদোক্লম্বনো হায়বদি খঙদবনা ঈশৈসি খুনুং ঈশৈনি হায়বসিদি চুম্লে।

***নোংলাও ঈশৈ :***

“নোংও চুরোও, হনুবী হনুবা তাউথরো  
লাংজিং মতোন থুমহৎলো  
পাৎশোয় নুরাবী তাউথরো  
উনম পাখং খুঞ্জরো  
কৌবা কোনুং নোং ও  
লোইজিং লোয়া নোং ও  
ঈরেং ইখম নোং ও  
থাংজিং কোয়রেল নোং ও



ৱাংবরেল খানা চাওবা নোং ও”

মালেম লৈবাক্তা নোং তাদদুনা অৰাবা নংলক্লবা মতমদা নোংলাউ ঈশৈ শক্নে। ঈশৈ অসি অমাইবা অমাইবীশিংনা লাংজিং চীংগী মৈরম পাংবদা লৈবা নোংজুখোং কৌবা ইরম খোং অদুদা লাইখুরম্বদা নোংলাউ ঈশৈ অসি শক্লগা নোং চুই হায়নৈ।

***পাময়াললোন :***

“ইপা লৌনি য়াল্লু হে  
হে য়ানসে।  
ইপু লৌনি য়াল্লু হে  
হে য়ানসে।  
লৈবাক মরা তপ্পা লৌনি য়াল্লু হে  
হে য়ানসে।  
নিংথৌ পুন্সিনবা লৌনি য়াল্লু হে  
হে য়ানসে।  
খুঞ্জা লৈচাও লৌনি য়াল্লু হে  
হে য়ানেস।”

মীতৈগী অয়াম্বা ফোকসোংদি লৌউ শিংউবগী ঈশৈনা অয়াম্বনি হায়বা য়াই। অহানবা লৌতাবা নুমীৎতা লৌয়ান নৎত্রগা লৌতা ঈশৈ শক্নে। নুপী-নুপা পুন্না শকমিন্নবা ঈশৈ ওইবনা নুপীশিংসু লৌউ শিংউবগী থবক্তা থৌদাং চাউনা য়াই হায়বা খঙহল্লি। অদুগা নুপীশিংনা শক্লবা লৌবুক্তা ফৌওইবী কৌদুনা শকপা ঈশৈ, নুপীমচাশিংগী লৌঙাক ঈশৈ, লৌ য়ৈবা লোইবা নুমীৎতা ফৌগৌ ঈশৈ কয়ামুক শক্লরম্মী।

***অহোঙলোন :***

“হে হৌ হে হৌ হে হৌ  
হোঙনেমলৌ হোঙনেমলৌ  
হোঙনেমসে হোঙনেমসে  
লমলেনমদা হোঙনেম্বা  
মদাইমদা হোঙনেম্বা  
কংলৈয়োন্দা হোঙনেম্বা  
পুংমায়োন্দা হোঙনেম্বা  
খোয়মথৌবু হোঙনেম্বা  
লাইয়িংথৌবু হোঙনেম্বা  
লাইরেনয়াইনা ননোংয়াইনা হোঙনেম্বা”

মাইবগী মশিল য়েন্থোকপদা থোংঙামনা অহোঙলোন শক্কদবনি হায়না অখঙ অহৈশিংনা হায়নৈ। অদুনদি লোইয়ম্বা নিংথৌনা লৈবাক অসিদা পান্দ্রিঙৈদগী লৈরক্লে হায়বা তাকই। মসি মমাঙঙৈদগী হৌদুনা হৌজিক ফাওবদা অমাইবশিংনা মচিন্দা পুদুনা লাই খুরুম্বদা শক্লা শোন্নরি।

***ঔগ্রী:***

“হে হুপ হে  
ঔগ্রীও কোল্লো  
লল্লেনমদা মদাইমদা  
কংলৈয়োন্দা পুংময়োন্দা  
য়োয়ময়াইবু তাউদনববু  
মালেমখৈবু লাংজখৈবু  
সনাতোনবু খোম্মদোনবু  
থবীলেংবু শেংগোইরেংবু  
অপানববু চরংশেনবু  
খোইবুংশেনবু নোংশাবা মৈবু  
নোংপোক লৈমা চাবু”

মীতৈগী উমং লাই হরাউবদা ঔগ্রী হংগেন চোংবগী চৎনবী লৈ। মসি শমতোন অয়াংবা ফাবগী তৌখিবা মওং মতৌ অদুবু নীংশিংবা ওইনা লাই হরাউবদা শক্লরিবনি। মসি লৈশেম্লোন্দা য়াওবা ৱারীনি। ঔগ্রী অঙনবা মতমদগী শক্লরক্লে হায়বসি লোয়ম্বা শিংয়েন লাইরিক্তগী খঙবা ঙম্মী। ঈশৈসি নোংদা লাইরেল পাখংবগা লাইশ্রাগা অনীনা ফম্বাল কাবদা শক্লে হায়নসু থেংনৈ। মতুংদা লুৱাং পুন্সিবনা মৈদিংঙু নাউথিংখোংদা ঔগ্রী তম্বীবগী ৱা নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা লাইরিক্তা য়াওরি। ঔগ্রী অসিবু লৈরোই নোংলোই ঈশৈ হায়নসু খঙনৈ।

মথক্তা নৈনজরিবা অমসুং পীজরিবা খুদমশিং অসিদগী খঙবা মীতৈলোনগী খুনুং ঈশৈদা লাই তীনগী ওইবা ঈশৈসি মরাং কায়না লৈরম্মী হায়বসিনি। মসিনা নুংঙাই য়াইফনা পান্নবা, অৰা অনা কোক্লবা পাম্বৈ অমসু ওইরকই হায়বসি ময়েক শেংহল্লি। মীতৈশিংগী ঙল্লিঙৈদা লৈরম্বা অৰাংবা ফিলোজোফিসু মসিদগী খঙবা ঙম্মী।